# মুখর্জি য়ুপিএগী প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইনা পুথোকখ্রে এসপি ১সুং বিএসপিনসু শৌগৎখ্রে, এনদিএগী লৈখাই তাদ্রি

*নিউ দিল্লি, জুন ১৫:* লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভম ফৎচিল্লক্তবগী ক্রাইসিস মরক্তা ককণ্ডাওনরবা কোলিয়েসন গর্ভর্নমেন্ট অমগী অশোনবা শক্তম অদু উৎখিবা, চয়োল অমা চুপ্পা চত্থরকপা রাজনিতিগী অকনবা ইরাং অমা লোইশিন্দুনা ঙসি কংগ্রেস পার্টিনা ফাইনান্স মিনিষ্টর প্রনাব মুখর্জিবু প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইনা পুথোকখ্রে। কংগ্রেসনা পুথোকপা মীরেপ অসিদা য়ুপিগী হান্নগী চিফ মিনিষ্টরময়াবতিনা লুচিংবা বহুজন সমাজপার্টি অমসুং মুলয়াম সিংহ যাদবকী সমাজবাতি পার্টিনা শৌগৎখ্রে। অদুম ওইনমক মমতা বেনরজিগী ত্রিনামুল কংগ্রেসন অমসুং লেফ্ট পার্টিশিং য়াওনা বিজেপি না লুচিংবা নেসনেল দিমোক্রেটিক এলাইন্সকী ওইনদি অরেপ্প ফিরেপ অমা খঙবা ঙমদ্রি।

ইনভেষ্টর অমসুং বিজিনেস লিদরশিংগী মায়কৈদগী ইকোনোমিগী ফিভম ফগাৎহন্নবা খুদক্তা এক্সন লৌখৎলু হায়না তকশিল্লকপা চৈরক অমদা কনানা মমিংতগী ওইনা তৌবা প্রসিদেন্টকী ফম অসি পায়গদগে হায়বগী মতাংদা অকনবা রাজনিতিগী লাঞ্জাও অমা শোক্নরকপদগী গর্ভর্নমেন্টনা অরুবা ফিভম অমা মায়োক্নখ্রে।

হৌখিবা চহি ৬৫ রোম ইন্দিয়াবু শাসন তৌদুনা লাক্লিবা কংগ্রেসনা মশাগী মীরেপ অমবু শৌগৎহন্নবগীদমক্তা খোঙবু ওইনা চৎমিন্নরিবা মরুওইবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী শৌগৎপা ফংনবা য়াম্না ৱানা হোৎনখ্রে। এনালিষ্টশিংনা থৌওং অসিবু লৈবাক অসিদা মশাগী তোঙানবা এজেন্দাশিং লৈনবা শক্তি লৈরবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মপাঙ্গল কনবা হেনগৎলকপদগী ইন্দিয়াগী লিরবা পার্টি অসিনা শোহ্নরকপগী খুদম অমা ওইনা উবা ফংনরি।

মশাগী চহি ৭৬ শুরবা মুখর্জি অসি জুন ২৪ দা ফম থাদোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি অমসুং চহি ৭৮ শুরবা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা মহাক্না পায়রম্না পোর্টফোলিও অদু লাক্লিবা থা খরা অসি পায়গনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টরগা নক্লবা পাউগী লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইং ১৯৯১ দা শীংথানিঙাই ওইরবা ইকোনোমিক রিফোর্ম কয়া পায়খৎতুনা চহী ২০ চুপ্পা শেন্মীৎলোন চাওখৎহনখিবা, এসিয়াগী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাউবা ইকোনোমি অসিবু লুচিংলিবা মনমোহন সিংহগী ইজৎ অদু পাক শন্না ক্রিটিসাইজ তৌনরকপদগী লৈখা তাহনখি। ক্রিটিকশিংনা মহাক্কী গর্ভর্নমেন্ট অসি সবসিদিগী চাদিং লাকশিনবা ঙমদ্রি অমসুং ইনফ্লেসনগী চাং অঙকপা ফংনা ৱাংখৎহল্লি হায়না মরাল শীনরি।

মুখর্জিগী মহুৎ শিনবা য়াবা মীওইদি উবা ফংদ্রি। অদুবু এনালিষ্টশিংনা অহাংবা ফম মেনশিনবা অসিবুদি গর্ভর্নমেন্টনা অচৌবা ইকোনোমিক রিফোর্মশিংদা মত মান্নরক্তবদগী পোলিসি ফেল্ল ওইবা অমসুং ইনভেষ্টরশিংবু হন্দোকহনখিবগী মনুংগী ওইবা মুক্লবশিং অদু লোইশিনবনা হেন্না মরুওই হায়না ফোঙদোক্লরি। সিঙ্গাপুরগী বারক্লেস কেপিটেলদা ফিক্স ইনকম ষ্ট্রেতেজিষ্ট ওইরিবা কুমার রাচাপুদিনা হায়, মথংগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরক্কদৌরিবা মীওই অদুনা মার্কেট ইকোনোমিদা অচৌবা মীৎয়েং থমদবা য়ারোই। ফম পায়গদৌরিবা মীওই অদুনা শেল পুখবা চাওখৎ-খোঙজেল তপথরকপা অমসুং পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎলকপা হায়রিবশিং অসিগা থেংনবা তারি।

মনমোহন সিংহগী শক্তি লৈরবা অমসুং থাজরবা এদভাইজরশিং- সি রঙ্গরাজন অমসুং মোন্তেক সিংহ অহলুৱালয়া, হোম মিনিষ্টর পি চিদম্বরম, রুরেল দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর জয়রাম রামেশ অমদি ত্রেদ মিনিষ্টর আনন্দ শর্মা য়াওনা মুখর্জিগী মহুৎ শিল্লকপা য়াবা মীওই কয়াগী মিং ইন্দিয়াগী মেদিয়াদা ফোঙদোক্লরি।

করিগুম্বা মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইরবদি কনানা মহুৎ শিনগদগে হায়বা ৱাহংদা মুখর্জিনা পাউমীশিংদা হায়খি, “প্রাইম মিনিষ্টর মশামক য়াম্না মশক নাইবা ইকোনোমিষ্ট অমনি। মহাক্কী লমজিং মখাদা ঐখোয়না হৌজিক মায়োক্নরিবা মতম খরদংগী ওইবা ক্রাইসিস অসি মায়োক্না ঙমগনি।”

তৌইগুম্বসুং কংগ্রেসনা মশাগী পার্টি মনুংদা য়েৎনবা লৈতনা য়ানবা অমা পুরক্লবা হোৎনবদা য়াম্না ৱানা থোকখি অমসুং মীশিং বিলিয়ন ১.২ গী পুন্সিগী থাক ৱাংখৎহন্নবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী য়াম্না মরুওইবা থৌশিল অমা ওইনা পাক শন্না উনরিবা ইকোনোমিক রিফোর্মশিংবু তন্বা ঙমদবা কোলিয়েসন পার্টনরশিংনা অয়াবা পীহন্নবা হোৎনবদা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্নখি।

মুখর্জিগী মীরেপ য়ানিংদবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চিফ মিনিষ্টর মমতা বেনরজিনা শরুক য়াউ হায়বা য়াখিদবা মীটি অমদা কংগ্রেস পার্টিগী লিদর সোনিয়া গান্ধীনা মুখর্জিবু প্রসিদেন্টকী ফম অসিগীদমক্তা ওফিসিয়েল মীরেপ ওইনা খনখ্রে।

চৎলিবা চয়োল অসিদা মশাগী ফিরেপ তন্বা ঙমদবদগীদমক্তা শকখঙনরিবী বেনরজিনা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহগী মিং অসি নো- কনফিদেন্স মোসনগী ভোট অমা লৌননবা পাম্বে অমা ওইনা শীজিন্নরকপদগী শোল্লবা কোলিয়েসন গর্ভর্নমেন্ট অসি কায়রগদ্রা হায়না মীপাইবা পোক্লখি।